ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯵, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, দিসেম্বর ১৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৬০শুবা মশীং

ইলেক্সন পিটিসনশিংগী মরাইবক

ৱায়েলগী জজমেন্ট মীখল মতুংদা কানখিগদ্রা

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১১শুবা মীখলদু মার্চ, ২০১৭তা পাঙথোকখিবনি। অদুগা মীখলদুদা কারকখিবশিংবু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বরশিং ওইনা ৱাশক লৌখিবদুনা মার্চ ১৯, ২০১৭তনি। নুমিৎসিদগী পারক্লগদি ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লি অসিগী টর্ম লোইশিল্লক্কুনা ১২শুবা মীখল পাঙথোক্কুনা অনৌবা লৈঙাক অমা কুমজা ২০২২গী মার্চ ১৯গী মমাঙদা শোয়দনা লিংগদবনি। মসিগীদমক হৌজিক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না চীফ ইলেক্টোরল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগা খূৎশম্নদুনা লেপ্তুনা পায়খৎলক্লি। থবকশিং অসি ইলেক্সন অসিগী থৌবু ওইগদৌরিবা ঈ সী আই অমসুং সী ঈ ও, মণিপুরগী ওইবা থবকনি। তৌসনু, তৌফম থোকপা থবকশিংনি। অদুবু হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি কুমজা ২০১৭কী মার্চতা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদুগা মরী লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌনরকখিবা তোঙান তোঙানবা ইলেক্সন পিটিসনশিংগী অপূনবা মশীংসি ১২নি। হৌজিক ফাওবদা হায় কোর্টকী মরী লৈনবা বেঞ্চশিংনা চত্থবা ৱায়েল মপূং ফানা লোইশিন্দুনা অরোইবা ৱায়েল পীখ্রবা পিটিসনশিংনা ককচীংগী ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা পাঙথোকখ্রিবা মীখলদুদা রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিবা য়েঙ্খোম সুরচন্দ্রগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অমা অমসুং ৱাঙ্খৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এক্স এম এল এ ওক্রম হেনরিগী মথক্তা য়ূমখাম ইরাবতনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন পনবা য়াই। পিটিসন অনীমক্তা ৱাই সুরচন্দ্র অমসুং ও হেনরিনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ৱানশিং ওইখিবগী ৱানি। অতোপ্পা রেসপোন্দেন্টশিংসু য়াওখি। মসিগী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসনশিং অদুবু কোর্টনা লৌখৎতুনা ৱায়েল চত্থরকপদা পিটিসনশিং অসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস কয়া অমসু পার্টি অনীমক্তগী ফাইল তৌনরক্তুনা ৱায়েল চত্থখ্রিবনি।

হায়রিবশিং অসি ইলেক্সন পিটিসনশিং খক্তা নত্তনা ৱায়েলশঙদা ৱাকৎনরকখিবা কেসশিংগী হৌনবীনি, মচৎনি। অদুবু মখা তানা লাক্লিবা ৱাফমদি ফাইল তৌনরকখিবা অপূনবা কেস ১২গী মনুংদা অনী দিস্পোজ তৌখ্রবনি। পিটিসন অনীগীদি নাখে শেংখ্রে। পিটিস্নর ওইখিবশিংদা কোর্টনা রিলিফ পীখ্রে হায়বগী ৱা নত্তে। ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমা লৌখৎলগা ৱায়েল চত্থবা নৎত্রগা চত্থদবা, মেন্টেনেবল ওইদে নৎত্রগা মেরিট লৈতে হায়দুনা দিসমিস তৌবা নৎত্রগা তৌদবা হায়দুনা মাগী মাগী কেসশিংদুগী ওইবা নেচর অমসুং লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোগী ওইবা ৱাফমনি। অদুবু উচিন-নাচিন্না লৈবাকসিগী এপেক্স কোর্ট ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ফাওবা য়ৌনরুরবসু পিটিসন অনীগীদি অরোইবা ৱারেপ্পবা ৱারোইশিন পুরক্তুনা লৈখাই তাখ্রে। অহুমশুবা দিস্পোজল ওইনা অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরক্তুনা মিনিষ্টর ওইরম্লবা অমগী মথক্তা তৌরকখিবা কেসকীসু ৱায়েল পীখ্রে। অদুবু লেমহৌরিবা ইলেক্সন পিটিসনশিং অসিগী মরাইবক্লা কদোমদা থোক্কদৌরি? ৱাহংসিগী পাউখুমনি হৌজিক পন্দুনা লৈরক্লিবা কেসশিং অসিগী পিটিস্নর/রেস্পোন্দেন্ট, মাগী মাগী কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী ইলেক্টরশিংনা খৌরাংনা ঙাইনরিবা। মরমদি ফাইল তৌনরকখিবদগী দিস্পোজ তৌখ্রবশিং য়াওনা পেন্দিংদা লৈরিবা ইলেক্সন পিটিসন পূম্নমক পাঙথোকখ্রিবা মীখল অদুগী রিজল্ট লাওথোরকপগা পন্থদনা কুমজা ২০১৭তা ফাইল তৌনরকখিবা ঙাক্তুনি। অদুবু পিটিসনশিং অদু হৌজিক চহী ৫ ফাজিল্লক্লে। পেন্দিংদা লৈরিবনা কেসশিংদুগী মরাইবক তম্বা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক পিটিসনশিং অদু রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিং, কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়ানা পীবা অয়াবা অমসুং য়াদবশিংগী মতুংইন্না অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমদ্রিবা করিগীনো? হোয়, লৈবাকসিনা কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মায়োক্নরকপদগী মণিপুরসু য়ৌশিল্লকখি। মসিমক্তা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবদা সুপ্রিম কোর্ট ফাওবনা তঙাইফদবা কেস খরখক নত্তনা অয়াম্বা ৱায়েল ভর্চ্যুএল মোদতা পাঙথোরক্লিবনি। ফীভম অসি হৌজিক ফাওবদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদসু চত্থরক্লিবনি। অদুবু কোভিদ-১৯গী পেন্দমিক মায়োক্নরকপদি মমাঙ চহী ২০২০গী মার্চকী অরোইবা চয়োলদগী খক্তুনি। কেসশিং অসিনা পেন্দিং লৈরকপগী তঙাইফদবা মরমশিংবুদি লৈরম্বা য়াই। অদুবু অপূনবা পিটিসন ১২গী মনুংদা খরনা দিস্পোজ তৌখ্রগা খরগীনা হৌজিক ফাওবদা পল্লিবা করিগীনো হায়বনি। কোর্টতা ফাইল তৌরকখ্রবা কেসনি, কোর্টনসু লৌখৎতুনা খন্নখ্রবনি। নোংমা নৎত্রগা নোংমবুদি অরোইবা ৱারোইশিন শোয়দনা পুরক্কনিদি হায়ববু ১১শুবা মীখলগা মরী লৈনবা পিটিসনশিংসি ১২শুবা মীখল পাঙথোক্লবা মতুংদা কোর্টনা পীরকপা জজমেন্টশিংদুগী ৱাহন্থোক লৈখিগদ্রা হায়বনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১

১) ***"শীঙেন নাচোম"*** হায়বা কুমজা ১৯৩৯দা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"তমথীবা নোংলৈ"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা, করি লোলগী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"ৱাখলগী মরোল মরোল নাইরবা চেনাশিং/আশাগী ৱাংখৎখ্রবা তেলঙ্গাশিং/কোয়লৈ কোয়লৈ/অকনবা নুংশিৎনা/হুমদোকখ্রি অসুম ইকুম ওইনা/থম্মোয়নুংদগী/মরূ ফূকখ্রি মঙলান য়াওনা।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) ***"পোইরৈ নাৎকী ৱারেং"*** হায়বা লাইরিকঅসিগী অইবা কনানো?

৫) ***"কেকু লোৎপী"*** হায়বসি অইবা কনানা ইবা, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

মালেমদা কংফাল শেম্লকপসি ইন্দিয়াদগী ইহান হান্না হৌখি হায়না শাফোংলকপা

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

Wenbin Li
Aditya Mohite
Siraj
Sidhik

মালেম লৈশেল্লোনসি লাইনীং-লীচৎকী মতুংইন্নদি তোঙান তোঙানবা থাজনবীশিং লৈখ্রে। মালেমদা লৈরিবা লাইনীং-লীচৎসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে, অদুগা মখোয় মখোয়না থাজরিবশিংদুনা চুল্লবনি হায়না অদুম ক্লেইম তৌনৈ। মৈতৈশিংগা মরী লৈননা হায়রগসু মালেমসিবু ঈশিংনা পুংকুপ-কুপশিন্দুনা লৈরম্বদগী কংলাসিনা ইহান হান্না কংখি হায়না থাজনৈ। লাইনীং-লীচৎকী ৱাফমসি থনল্লগা, মালেম লৈশেল্লোনসি নৈনরকপদা সাইন্টিফিক দিস্কভরিদা হেন্না মীৎয়েং চঙবনা অফবা ওইগনি। অসিগুম্বা দিস্কভরিশিংসু অসুম থিজিল্লকপগী থবক অসিনা খুমাঙ চাওশিল্লকপনিনা হান্না চুম্মী হায়না খন্নরম্বশিংদা অশোয়বা য়াওরমদবা নত্তে। মসিদি মতম মতমগী 'অপদেট' তৌবা হায়বদুনি।

হৌজিক ইন্দিয়া, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং য়ু এস এগী সাইন্টিষ্টশিংনা মালেম লৈশেল্লোনগা মরী লৈননা মালেমদা ইহান হান্না শেমখিবা কংফালগী লমদমসি জরখণ্ড ষ্টেটকী শিংভুম রিজন অসিনি হায়না ক্লেইম তৌরদুনা য়ু এসকী 'প্রোসিদিংস ওফ দ নেসনল একাদেমি ওফ সাইন্সেস' তা ফোঙদোরক্লি। হান্না থিজিনখিবশিংগী মতুংইন্নদি কংফালগী লমদমসি চহী বিলিয়ন ২.৫গী মমাঙদা শেমখি হায়বসিনি; অদুবু হৌজিক নৌনা থিজিল্লুবসিদা ফংলক্লিবা মহয়সিগী মতুংইন্নদি কংফালসি হান্না থাজরম্বা চহীদুদগী চহী মিলিয়ন ৭০০ ঙনখৎনা শেমখি হায়বসিনি।

মালেমদা করম্বা মতমদা অমসুং মতৌ করম্না সবএরিঅল কন্টিনেন্টল ক্রষ্টসি শেম্লকখিবগে হায়বসিগী মতাংদা নৈনবসি য়েৎননীংঙাই কয়ামুক লৈ। মসিমক ওইদুনসু, সাইন্টিফিক কম্যুনিতি অয়াম্বনা য়ানরিবদি কন্টিনেন্টশিংনা সমুদ্রগী ঈমাইদগী কাখৎলক্তুনা কংফাল ওইরকখিবসি, প্লেট টেক্টোনিক্সতা য়ূন্থম ওইরগা, চহী বিলিয়ন ২.৫গী মমাঙদা শেম্লকখি হায়বসিনি। অদুবু হন্দক্তা নৌনা থিজিল্লুরিবসিদা অর্কিয়ন ক্রাটোন (craton) শিংগী ইগ্নিঅস অমসুং সেদিমেন্টরি হিষ্টরিবু খোমজিনখি; অদুগা মসিদগী ষ্টেবল ওইরবা কন্টিনেন্টল লেন্দমাসশিংসি সমুদ্র ঈমাইগী মথক্তা চহী বিলিয়ন ৩.৩দগীনা ৩.২গী মমাঙদা, হায়বদি হান্না লৈরম্বা মোদেলশিংনা থাজরম্বা চহীদুদগী চহী মিলিয়ন ৭০০ ঙনখৎনা শেম্লকখি হায়বসি খঙবা ঙম্লকখিবনি হায়না থিজিল্লোইশিংনা ফোঙদোক্লি।

পেরোভস্কাইট কম্পাউন্দ অমগী 2D গী মরোল তৌশিল্লবা সোলর সেল

মালেমদা ইহান হান্না শেম্লকখিবা কংফালগী লমদমসি শিংভুমনি হায়রিবসিগী মরম করিগীনো হায়না হংবা মতমদা মোনাশ য়ুনিভর্সিটি, ওষ্ট্রেলিয়াগী ডা. প্রিয়াদর্সি চৌধুরিনা অসুম্না ফোঙদোক্লি : মফমসিদা সেন্দষ্টোন কৌবা, অখন্নবা সেদিমেন্টরি রোক অমা ফংই। রোকশিংসিগী চহী পুথোক্লবগীদমক থিজিনলূপ অসিনা জর্কন্স (zircons) হায়না খঙনবা রেদিওএক্টিভ ইলিমেন্ট য়ুরেনিয়ম য়াওবা, অপিকপা ক্রিষ্টলশিংদা থিজিনবগী থবক পায়খৎখি। জর্কনশিংবু নৈনবা হায়বসি অরাইবা অমা নত্তে, মসি চন্দ্র মপৈ অমগী মনুংদা য়াওখিবা য়েৎতুম (নীদল) অমা পুথোকপগুম্বনি। মরমদি জর্কনশিংসি মাইক্রোনশিংগী চাওবগী চাংদা য়াওরিবনি। জর্কনশিংদু খোমজিল্লবা মতুংদা, থিজিন-লূপ অসিনা মাস স্পেক্ট্রোমেত্রি হায়না খঙনবা টেক্নিক অসি শীজিন্নদুনা মখোয়গী মচলশিংদু খঙনবগীদমক লেজরবু ক্রিষ্টলশিংদু ফাওদুনা চৎহল্লম্মী। য়ুরেনিয়ম্না মিসি (লেদ) দা মরোমদোম কায়থজরকপা (রেদিওএক্টিভ দিকে) অসি অকক্লবা চাং অমদনি। চাং য়েংখিবা সেম্পল খুদিংমক্তা য়াওরিবা য়ুরেনিয়ম অমসুং মিসিগী রেসিওদু পুথোক্লগা রোকশিংদুগী চহীদু পুথোক্লম্মী। মসিদগী ক্রাটোন অদুগী চহীদু বিলিয়ন ৩.২দগীনা ৩.৩গী মমাঙদা শেমিখবনি হায়বা খঙলকখি। মখোয়সি মতৌ করম্না শেম্লকখিবনো হায়বসিগী মরমদা থিজিল্লুবদা, মখোয়দু মথায় থায়নগী তুরেলশিং, সমুদ্র তোর্ব্বান (বীচ) শিং অমসুং অথেনবা সমুদ্রশিংদা শেম্লকখিবনি হায়বা খঙবা ঙমখি। অসিগুম্বা ৱাটর বোদিশিংসি কংফালগী লমদম লৈরবা মতমখক্তদা শেম্লমফম থোকই। অদুনা শিংভুম রিজন অসিনা ইহান হানবগী ওইনা সমুদ্রগী ঈমাইদগী ৱাংখৎলকিখবা কংফাল ওইফম থোকই।

সোলর সিমুলেটরদা চাং য়েংনবগীদমক থৌরাং তৌরবা 2D পেরোভস্কাইট

করম্বা শাফুশিংনা শিংভুম ক্রাটোনবু ঈশিংগী ঈমাইদগী কাখৎহল্লকখিবগে? মসি পুথোক্লবগীদমক থিজিন লূপ অসিনা ক্রাটোনশিংদগী ইগ্নিঅস রোকশিংগী সেম্পলশিং হায়বদি অশাবা মেগমা (magma) বু ক্রিষ্টলাইজেসন তৌরগা শেম্লকখিবা সেম্পলশিং লৌরম্মী। অসিগুম্বা ইগ্নিঅস রোকশিংনা ক্রাটোন্দা লৈরিবা সেদিমেন্টরি রোকশিংগী হেক মখাদা লৈরম্মী। অসিগুম্বা ইগ্নিঅস রোকশিংগী কেমিকল কম্পোজিসনশিংনা মখোয়বু ইহান হান্না শেম্লকখিবগী প্রেসর অমসুং টেম্পেরেচরবু তাকপা ঙম্মী। অসিগুম্বা কেমিকল কম্পোজিসনশিংবু নৈনরগা থিজিন লূপ অসিনা রোকশিংদুবু শেম্লকখিবগী ফীভমশিং অমসুং মখোয়না ঈশিং ঈমাই মথক্তা করম্না কাখৎলকখিবা হায়বদু শাগৎনবগীদমক মোদেল অমা শেল্লম্মী। মোদেল অদুনা ফোঙদোক্লিবদি, চহী বিলিয়ন ৩.৫দগীনা বিলিয়ন ৩.২ মুক্কী মমাঙদা, ক্রষ্টকী মখাদা লৈরম্বা মেগমাগী অশাবা প্লুম (plume) শিংনা ক্রাটোনশিংবু নংশিনহল্লকখি অদুগা তাওখৎলকপা ঙম্বা, সিলিকা অমসুং কার্টজকুম্বা অয়াংবা মেটেরিঅলশিং য়াওহল্লকখি। থৌওং অসিনা ক্রাটোনবু কোইশিল্লিবা হেন্না কূৎবা রোক্তা চাংদম্নবদা ক্রাটোনগী ফিজিকলগী ওইনা কূৎবা অমসুং কেমিকলগী ওইনা য়াংবা মগুন লৈহল্লকখি, অদুগা কংফালগী শরুক ওইনা ঈমাইগী মথক্তা কাখৎলকখি হায়না চৌধুরিনা ফোঙদোক্লি।

ইন্দিয়াগী শিংভুম ক্রাটোনগী চহীগা মান্নবা সেদিমেন্টরি রোকশিং য়াওবা অতোপ্পা ক্রাটোনশিংগী মনুংদা খা অফ্রিকাগী Kaapvaal Craton অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী Pilbara Craton য়াওরি। অসিগুম্বা ক্রাটোনশিং অসিসু চহী বিলিয়ন ৩গী মমাঙদা শেম্লকখিবা ওইরমগনি হায়বসি থিজিন-লূপ অসিগী থাজবনি। অদুবু অসুম্না কন্টিনেন্টশিং শেম্লকপসি ওইথোকপা য়ারবসু মতমদুগী মালেমগী পুৱারীগা মরী লৈননা হংবা য়ারিবদি : মতম অমত্তদা কংফালগী শরুক অসি কয়া য়াম্না শেম্লকখিবগে অদুগা কংফালগী শরুকশিংদু কয়াম কুইনা ঈমাইগী মথক্তা লৈরম্বগে? ৱাহংশিংসিগী পাউখুমসি হৌজিক্কী ওইনদি অঙকপা ওইদুনা লৈরি হায়না চৌধুরিনা মখা তানা হায়রি।

মহৌশাগী য়ুহা হাবা, ঈশিং ঈচাও, লেন্দম্লাইদনচিংবা কয়াদগী কংফালগী শক্তমসি লেপ্পা লৈতনা হোংদুনা লাক্লি। ক্রাটোন খরনা শেম্লকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মতুংদা ঈরোম্নুংদা লুপখিরম্বা তারবসু মালেমগী লৈমায়/ঈশিংদা অহোংবা কয়ামুক্তি থোকহল্লম্বা য়াই। খুদম ওইনা, কংফালদা ৱেদরিং, ইরোজনগুম্বা থৌওংশিং থোকহল্লমগনি, মসিনা অহিংবা জীবশিংগী মরু ওইবা মচলশিং ওইরিবা ফোস্ফরসকুম্বা ইলিমেন্টশিং সমুদ্রদা পুথখিরম্বা য়াই। সাইঅনোবেক্তিরিয়া নৎত্রগা ব্লু-গ্রীন অলগি হায়না খঙনবা ওর্গানিজমশিংনা সমুদ্রদা খুন্দারক্লম্বা য়াই, অদুগা ফোটোসিন্থেসিসকী মতেংনা এটমোসফেয়রদা ওক্সিজেন থাদোকপা হৌরকখিরম্বা য়াই হায়না চৌধুরিনা ফোঙদোক্লি।

ওক্সিজেননা এটমোসফেয়রগী মরু ওইবা মচল অমা ওইদ্রিঙৈ চহী বিলিয়ন ২.৪৫মুক্কী মমাঙদা 'ওক্সিজেন ৱিফ (whiff)' হায়না খঙনবা থৌওংসি মফম অয়াম্বদা থোকখিবগী খুদম-চাংদমশিং লৈরি। অসিগুম্বা ৱিফশিংসি অহানবা ক্রাটোনশিং শেম্লকপগা মরী লৈনরম্বা য়াই, মসিদা সাইঅনোবেক্টিরিয়াগী অপিকপা পাম্বীশিংনা কংফালগা নক্না হৌরকখিবা অদুগা মফমদুগী ওক্সিজেনগী চাং হেনগৎহল্লম্বা য়াই। মতম অসিমক্তদা, কংফালগী সিলিকাগুম্বা মেটেরিঅলশিংনা ৱেদরিং তৌদুনা এটমোসফেয়রদগী কার্বন দাইওক্সাইদপু চুপশিন্দুনা মফম অদুবু ঈংথহল্লম্বা য়াই। সিলিকাবু ৱেদরিং তৌবগী সাইদ ইফেক্ট অসিদি ফজনা খঙনরবনি; হৌজিক্কী মতম অসিদা সিলিকেট রোকশিংনা ৱেদরিং তৌবদগী চহী খুদিংগী এটমোসফেয়রদগী কার্বন দাইওক্সাইদ মিলিয়ন টন ১৫০দগীনা ৩৩০ ফাওবা চুপশিল্লি।

হৌজিক্কী ওইনদি, মালেমদা কংফালগী লমদমশিং শেম্লকপগী মতাংদা য়েৎননীংঙাই ওইবা কয়ামুক লৈরি। অদুবু অনৌ-অনৌবা ক্রাটোনশিং, খুদম ওইনা রুসিয়া নৎত্রগা অন্টর্কটিকাগী হান্না অমুক্তসু থিজিনখিদ্রিবা মফমশিংদা মখা তানা থিজিনবনা মালেমদা কংফাল শেম্লকপগী মতাংদা হেন্না ময়েক শেংহনবা ঙমগনি হায়বসিদা থাজবা থম্নরি। অদুগা ইন্দিয়াগী ওইনসু Dharwar, Bastar অমসুং Bundelkhand রিজনশিংসি থায়নঙৈগী কন্টিনেন্টশিংদগী কাইথরকখিবশিংনি। মখোয়গী ইভোল্যুসনগী মতাংদসু খঙবগী মথৌ তারি। অদুবু শিংভুমদা মখোয়না ফংলক্লিবা অসিনা অতোপ্পা ক্রাটোনশিংগী মরমদা নৈনবদা টেমপ্লেট অমা ওইনা মথৌ তৌবসু য়াগনি হায়না চৌধুরিনা হায়রি। ●

মরাদোনাগী মাঙখিবা ঘড়ী হুরানবা অসামদগী ফাখিবা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

অর্জেন্টিনাগী মমিং চৎলবা ফুটবোল শান্নরোয় দিগো মরাদোনাগী মমল য়াম্লবা ঘড়ী অমা দুবাইদগী মাঙখিবা অদু অসাম (ইন্দিয়া) দগী দিসেম্বর ১১দা ফংবা ঙমখ্রে। খুদাং ঘড়ী অসি দুবাইদা থবক তৌবা হন্দক্তা ইন্দিয়াদা হল্লকখিবা মীওই অমদগী ফাগৎখিবনি। মসি ইন্টরনেসনলগী চৎনবা এক্ট অমগী মখাদা অসাম পুলিসনা ৱাজিদ হুসসেন কৌবা নুপা অমা ফাখি। অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ট বিশ্বাসু হীরম অসিদা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা পাউতাক পীখি।

অসাম পুলিসকী দিরেক্টর জেনরেল জয়োতি মহন্তনা হায় মদুদি মরাদোনাগী ঘড়ী অদু দুবাইগী ষ্টোর অমদা মাঙখিদনবা অমদি হুরানখিদনবা থম্বনি। ঘড়ী অসিখক্তা নত্তনা মমল য়াম্লবা অতৈ পোৎশিংসু শান্নরোয় অসিনা ষ্টোর অসিদা থম্মী।

মহন্তনা অসুম্না হায়, দুবাই পুলিসনা সেন্ট্রেল এজেন্সীগী খুথাংদা পাউ পীরক্তুনা ৱাজিদ হুসসেন কৌবা অমনা মরাদোনাগী মখূৎমক্লা মমিং ইবা (খূৎয়েক পীবা) HUBLOT ঘড়ী অমা হুরাল্লগা অসামদা চেনখ্রে। ঙসি অয়ূক (তাং ১১/১২/২০২১) গী পুং ৪ তাবা মতমদা ঐখোয়না ৱাজিদ হুসসেনবু মহাক্কী সিব সাগরদা লৈবা য়ুমদগী ফাখিবনি। মঙোন্দগী ঘড়ী অদুসু ফাগৎখ্রে।"

ঘড়ী হুরানবা ফাখিবা অমদি ঘড়ী অদু ফংখিবগী মতাংদা অসাম পুলিসকী দিরেক্টর জেনরেলনা অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না ফোঙদোক্লকখি। পুলিসনা হায়খিবা মতুংইন্না ঘড়ী হুরানবগী ফাখিবা ৱাজিদ হুসসেন অসি দুবাইগী প্রাইভেট কম্পেনি অমদা সিক্যুরিটি গার্দ অমা ওইনা থবক তৌবা মীওইনি। মহাক্না থবক তৌরিবা কম্পেনি অদুদা মরাদোনাগী মমল য়াম্লবা মরল-মথুমশিং থম্মী।

অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ট বিশ্বানা হায় মদুদি লৈখিদ্রবা অর্জেন্টিনাগী মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় দিয়াগো মরাদোনাগী ঘড়ী হুরানখিবা ৱাজিদ হুসসেন ফারে, আইনগী কাঙলোন মতুংইন্না ৱায়েন্দুনা থবক মথং মথং লৌখৎলগনি।

মালেমগী মীয়াম্না মরাদোনাবু খ্বাইদগী ফুটবোল শান্নবা হৈবশিংগী মনুংদা অমনি হায়না ইকায়খুম্নবীরি। মহাক কুমজা ২০২০গী নবেম্বর থাদা হার্ট এটেক তৌদুনা লৈখিদ্রে।

অসাম পুলিসকী দিরেক্টর জেনরেল জোয়তিনা হায় মদুদি ঘড়ী অদু শান্নরোয় অসিগীনি অদুনা দুবাইগী পোৎ চৈ থম্ফম ওইরিবা লৈঙাক্লা চেকশিন্না ঙাক্লিবা ষ্টোর অমদা থম্লি। মহাক্লা মখা তানা হায়খি মদুদি ঘড়ী হুরানবা ৱাজিদ হুসসেন দুবাইদা লৈবা প্রাইভেট কম্পেনি অমদা সিক্যুরিটি গার্দ ওইনা থবক তৌরম্মী। কম্পেনি অদুদা মরাদোনাগী লন-থুম পুম্নমক থম্মী। মহাক্লা ওগষ্ট থাদা ময়ূমদা মপা নারে অদুনা ইন্দিয়াদা চৎনবা অয়াবা লৌনবা হায়জরম্মী।

মতাং অসিদা নীংশিংগদবা অমনা কুমজা ২০১০গী ফিফা ৱর্ল্ড কপ শান্নবদা মহাক্লা HUBLOT BIG BANG না শাবা ঘড়ী শীরম্মী। মসিদা MARADONA BIG BANG CHORONOGRAPH Limited Edition গী ঘড়ীশিং লোঞ্চ তৌদুনা, মীয়ামদা খঙহন্দুনা লৈবা য়োনবা তৌনবা অহানবা খোঙথাংগী শরুক অদু হাংদোকখি। HUBLOT BIG BANG MARADONA হায়না মীংথোনবা ঘড়ী অসি হাপ্পবা ফজরবা মখুম (CASE) দা মরাদোনানা পাঞ্জল চল্লবা মতুংদা হরাওদুনা মখূৎ অনী ৱাংনা থাঙ্গৎপগী ফোটো য়াওই। মসিগী মথক্তা মহাক্কী মশাগী মমিং মখূৎমক্লা ইবা 'খূৎয়েক' অমসুং জর্সি নম্বরসু থাই।

মরাদোনা কুমজা ১৯৮৬তা মেক্সিকোদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড কপ্তা নোংচুপ জর্মনিবু মায়থীবা পীদুনা অর্জেন্টিনানা ৱর্ল্ড কপকী য়ুম্ফু ওইখি অমদি টিম অসিগী কেপ্তেন ওইখিবা মরাদোনা মালেম পূম্বনা মহাক্কী মখোঙ মখূৎ হৈশিংবখক্তা নত্তনা মহাক্কী মতিক মথৌনা অদুবু হন্না হন্না থাগৎনখি। ৱর্ল্ড কপ অদুদা মহাক্কী মপাঙ্গল, দম অমদি লমজেল য়াঙনা য়াঙনা চেন্দুনা মেজিক তৌবা অমগুম্না মহাক্লা শান্নরিবা ফুটবোল অদুবু মখোঙনা, মকোক্লা, মথবাক্লা, মনঙ্গলনা শীজিন্নদুনা মায়োক্লবা টিমদা পাঞ্জল চন্দুনা মায় পাক্লবা হোৎনখি। ৱর্ল্ড কপ অদুগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইংলেন্দগা শান্নখিবা মেচতা মহাক্কী মখূৎনা পাঞ্জল অমা চনখি। মদুদা রেফরিনা মখূৎনা বোল শোকপগী য়েলো কার্দ অমা পীগদবনি, অদুবু রেফরিনা হেন্দবোল পীখিদে। মতম অদুদা Video Assistant Referee গী টেক্নোলোজি লৈতবা মরম্না পাঞ্জল অদু পীখিবদা অয়েৎপা লৈখিদে। ৱর্ল্ড কপ অদুগী ফাইনেলদা অর্জেন্টিনানা ২-১দা থোইদুনা ৱর্ল্ড কপকী মপু ওইখি। শান্নবা লোইরগা মহাক্লা হায়খি মদুদি 'পাঞ্জল অদু কোক্লা খরা অমসুং খূৎনা খজিক্তং চনখিবনি'। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইরবা মতুংদা ফাওবা পাঞ্জল ০-০দা চপ মান্নখি। মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফ হৌরকপগী মিনট ৬ শুরকপদা মহাক্কী মখোঙ ওইনা বোল অদু বোক্সকী ৱাংমদা ওইনা পুথোক্লম্মী অদুদগী মহাক্কী টিমগী জোরগ ভালদানোদা পাস পীখি। জোরগনা ইংলেন্দগী দিফেন্দরশিং অদু লান্থোক্লবা হোৎনবদা কাওথোক কাওশিন তৌনখি। অসুম্না চত্থরকপদা মরাদোনানা পেনালটি বোক্স মনুংদা লৈরিঙৈদা বোল অদু মনাক্তা তারকখি। মহাক্লা বোল অদু গোলকিপর ওইরিবা মঙোন্দগী সেন্টিমিটর ২০ হেন্না ৱাংলিবা পেটর সিলতোনগা লম্বা তৌনরম্মী।

ব্রাজিলগী পেলেনা অসুম্না হায় মদুদি মী খুদিংমক্লা মঙোন্দা মরাদোনাগা মহাক্লা কনানা ফুটবোল শান্নবা হৈবগে হায়বা ৱাহং অসি হংই। মদুদা পেলেনা খুমখি মদুদি মখোয় অনী মরুপনি, য়েক্নবা নত্তে। মহাক্লা ঐগা টেলিভিজনগী প্রোগ্রাম অমা তৌমিন্নসি হায়বদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইরম্মী অমদি ঐগী অয়াবা পীরম্মী। অদুগা প্রেসমেন (পাউমী) শিংগা ঐগা 'বার-রুম' দা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শারিঙৈদসু ঐখোয় অনীগী মরক্তা করম্বনা ফুটবোল হৈবা হেনবগে হায়না ৱাহং তৌই।"

অদুবু ইংলিস শান্নরোয়শিংগী মনুংদদি হৌজিক ফাওবা ষ্টেনলি মিথিউ খ্বাইদগী পুকচেল শেংবা, শান্নবদা হৈথোই শিংথোইবা শান্নরোয়নি হায়না লৌনরি। মহাক্লা হৈজবা ঙম্নমখে পুথোক্তুনা শান্নজে। মহাক করিগুম্বা ত্রিক অমত্তা তৌদে, তৌশিন্নদে। মহাক্কী হৈশিংবা অসিনা মহাক্লা চহী ৪১ শুবা মতমদা লন্দনগী ৱেমব্লি ষ্টেদিয়মদা ব্রাজিলবু ৪-২দা মায়থীবা পীখি। নুমিৎ অদুদা মহাক্লা চহী মান্নরপ তৌবা অহল নিলতোন সানতোসনা মহাকপু শংদুনা কোয়তান তান্নরম্মী হায়বদি MARK তৌরম্মী। মদুদা সানতোসনা মঙোন্দা হায়রম্মী - 'Mr. Mathew you are the King. ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।